# ১১রক শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দস - ২০১৮



লমদম অসিদা ফিল্ম তৌজ রিবশিংনা খৌরাংনা ঙাইনরকপা ১১রক শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ ২০১৮, ফিচর ফিল্মগী এৱার্দ ২১ গী মনুংদা আইরনবোল প্রদক্সনগী ‘‘ইনাক্তা লৈরিঙৈ’’ হায়রিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অসিনা বেষ্ট ফিচর ফিল্ম, বেষ্ট ডাইরেক্সন য়াওনা এৱার্দ ৭ ফঙদুনা চহি অসিগী খ্বাইদগী এৱার্দ য়াম্না ফংবা ঙস্বা ফিচর ফিল্ম ওইখি। লমদম অসিগী হৌগৎলক্লিবা ফিল্ম মেকরশিংদা অফবা, ফজবা মখলগী ফিল্মশিং পুথোক্লবগী থৌনা পীননবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবা থৌরম অদুগী য়াম্না লেমজনিংঙাই ওইখিবা মীৎকুপ অমা ওইনা লমদম অসিগী ইহান হানবা সুপর ষ্টার কাংঙবম তোম্বা, লমদম অসিগী মীয়াম্না ঙসিফাওবা ‘‘লমজা তোম্বা’’ হায়না শকখঙনরিবা শক্লাইরবা অসিনা ঙসিফাওবা লেপ্পা লৈত্তনা মণিপুরগী অহানবা ফিচর ফিল্ম ‘‘মতমগী মণিপুর’’ দগী হৌদুনা, লেপ্পা লৈত্তনা, সফাবী, ওলাংথাগী ৱাংমাদাসু, পাওখুম অমা, মৈরী নচিংবা মতমদুগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নখিবা, মাই পাক্লবা ব্লোক বষ্টর ফিল্মশিং ওইখিবা সেল্লুলোইদ ফিল্মশিং লোয়ননা ঙসি ফাওবা দিজিটেল ইরাদসু শিংথনিংঙাই ওইবা থৌদাংশিং অদুবু শকখঙদুনা ২০১৮ দা পাঙথোকখিবা ১১রক শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটি গী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ য়েম্থোকপগী থৌরম অদুদা লেমজনিংঙাই ওইরবা লাইফটাইম একচিবমেন্ট এৱার্দ পীদুনা ইকায় খুম্নখিবা অসিনা মীপুম খুদিংমক্কী পুক্নিং চিংশিনখি। থোইদোক-হেন্দোক্না লম কয়াদা অসিদা হৈথোই শিংথোইরবা জুরিশিংনা ফিচর ফিল্ম, নন-ফিচর অমদি বেষ্ট ক্রেটিক এৱার্দ ফংবা য়াবশিং খনগৎখি।

১১রক শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ অসিগীদমক ফিচর ফিল্ম ৮ নন ফিচর দা ২ থাজ ন্নরকখি। চিলদ্রেন ফিল্ম অমদি মণিপুর দাইলেক্টকী ফিল্ম দি থাজ ন্নরকখিদে।

ফিচর ফিল্মদা আইরনবোল প্রদক্সনগী ‘‘ইনাক্তা লৈরিঙৈ’’ হায়রিবা, নুংশি নুংওনদা য়ুমফম ওইদুনা পুথোকপা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অসিনা চহি অসিগী ওইনা এৱার্দ ৭ ফঙদুনা খ্বাইদগী য়াম্না এৱার্দ ফংবা ফিল্ম অমা ওইখি। ফিল্ম অসিনা বেষ্ট ফিচর ফিল্ম, বেষ্ট ডাইরেক্সন, বেষ্ট স্ক্রিনপ্লে, বেষ্ট সিনেমাতোগ্রাফি, বেষ্ট ইদিটিং, এৱার্দ ফংবদা নত্তনা মতম শাংনা মণিপুরী ফিল্ম ৩০০ লোমদা মাই পাক্লা শক্তম লাংবা অমা ওইবতা নত্তনা ডা. অমবেদকর ইন্টরনেসনেল এৱার্দ, ৯শুবা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম এৱার্দ, ৪রকশুবা এসএসএস, মনিফা এৱার্দ, লোয়ননা বেষ্ট এক্টর, এল্বম এৱার্দনচিংবা ফংবা ঙমখ্রবা আর কে সোমোরেন্দ্রো (কাইকু) না হায়রিবা ফিল্ম অসিদা বেষ্ট এক্টর এৱার্দ ফংবা ঙমখিবতা নত্তনা ফিল্ম অসিমক্তদা শক্তম লাংখিবী মমাংদা এসএসএস, মনিফাদা বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস - ২০১৫, লোয়ননা -২০১০ দা মেগা মিস নোর্থ ইষ্ট, ব্যুটি পেজেন্টতা অনীশুবা রন্নর্স অপ টাইটল ফংবা ঙমখ্রবী লাইশ্রম সোমানা ‘‘ইনাক্তা লৈরিঙৈ’’ হায়রিবা ফিল্ম অসিদা ‘‘বেষ্ট এক্ট্রেস এৱার্দ ফংখি।

লমদম অসিগী মীয়াম্না য়াম্না পাম্নরিবী এক্ট্রেস হিজম সুরজবালা (বালা) না মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ‘‘চিংলেনসানা’’ হায়রিবা ফিল্ম অসিদা বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেসকী লেমজনিংঙাই ওইরবা মনা ফংবা ঙমখি।



লোয়ননা থিয়েটর অমদি ফিল্মদা মাই পাক্লা শক্তম লাংবা অমা ওইরিবা চাকপ্রম রামেসচন্দ্র সিংহ (ইধৌ) না তোমথিন সিজা হায়রিবা ফিল্ম অসিদা তৌখিবা শিংথনিংঙাই ওইরিবা থৌদাংবু শকখংবীদুনা বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্টর -২০১৮ এৱার্দ ফংখি। নন-ফিচর ফিল্মদা ফিল্ম দিভিজন মুম্বাইগী দোরেন ওইনাম না ডাইরেক্সন পীবা ‘‘থেতর ওফ দি অর্থ না বেষ্ট নন ফিচর ফিল্ম এৱার্দ ফংখি। লোয়ননা লোকানন্দ এমএম না পুথোকপা রোমি মৈতৈ না ডাইরেক্সন পীবা ঈশিংগী মচুনা বেষ্ট ফিল্ম ওন সোসিয়েল ইশু /স্পোর্টস এৱার্দ ফংখি।

লোয়ননা এল রধামোহোন শর্ম্মনা হায়রিবা ফিল্ম অসিমক্তদা বেষ্ট সিনেমাতোগ্রাফি এৱার্দ ফংখি। সুবাদিপতা বিশৱাসনা ‘‘থেতর ওফ দি অর্থ’’ তা বেষ্ট ইদিটিং এৱার্দ ফংখিবগা লোয়ননা নন-ফিচর ফিল্ম অসিগী ম্যুজিক ডাইরেক্টর তোম্বা হৈস্নামনা বেষ্ট ম্যুজিক ডাইরেক্সন এৱার্দ অমদি হায়রিবা ফিল্ম অসিদা ওদিওগ্রাফর ওইখিবা সুনিল লোইতোংবমনা স্পিসিয়েল জুরি এৱার্দ ফংখি। লোয়ননা য়াম্বেম তোম্বীনা ন্যুজ পেপর জরনেলনচিংবদা মণিপুরী সিনেমাগী মতাংদা লৌরিবা থৌদাংবু শকখংবীদুনা চহি অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ফবা ক্রিটিক এৱার্দ ফংখি।

ফিচর ফিল্মদা, ‘‘ইনাক্তা লৈরিঙৈ’’- প্রদুস বাই লোংজম অনিলকুমার সিংহ না বেষ্ট ফিচর ফিল্ম, বেষ্ট ডাইরেক্সন-মোনোরঞ্জন লোংজম (ইনাক্তা লৈরিঙৈ) বেষ্ট এক্টর- আর কে কাইকু (ইনাক্তা লৈরিঙৈ), বেষ্ট এক্ট্রেস সোমা লাইশ্রম (ইনাক্তা লৈরিঙৈ), বেষ্ট স্ক্রিনপ্লে লোংজম অনিলকুমার সিংহ, বেষ্ট সিনেমাতোগ্রাফি খাংগেম্বম রেগান সিংহ, ইদিটিং প্রেমানন্দ নিংথৌমবম, বেষ্ট ম্যুজিক ডাইরেক্সন- ওকেন অমাকচম (মমলাসানু তাইবংপাল), বেষ্ট কষ্টম দিজাইন- চাম (মমলসানু তাইবংপাল), বেষ্ট লিরিক্স- লাইপালুৱাং বেষ্ট মেল প্লেবেক সিঙ্গর (সোইবম অর্বিন সিংহ) বেষ্ট ফেমেল প্লেবেক সিঙ্গর- পুস্পারানি হুইদ্রোম (মমলসানু তাইবংপাল), বেষ্ট দেবুট ফিল্ম ওফ এ ডাইরেক্সন- লাঙ্গোনজম সত্যিজিৎ সিংহ, বেষ্ট আর্ট ডাইরেক্সন অরাম্বম তোন্দাং লুৱাং, বেষ্ট মেক অপ অবুজম রগিনি এন্দ ৱাংজম চান্দ্রিমা বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্টর চাকপ্রম রামেসচন্দ্র (ইধৌ) বেষ্ট স্পিসিয়েল ইফেক্ট বিজু ক্ষেত্রি,



বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্ট্রেস হিজম বালা, স্পিসিয়েল জুরি এৱার্দ -গুরুময়ুম ক্রিপালক্ষমি দেবী, বেষ্ট ওদিওগ্রাফি কে সোমোরেন্দ্রা (মন্ধালে মথেল) স্পিসিয়েল জুরি এৱার্দনা লৈশাংথেম তোম্থোইঙাম্বী দেবীনচিংবা শক্লাইরবা, শক্লাইরবীশিং অসিদা ইফিমিনেট ষ্টেটুটটি, কেস প্রাইজ অমদি সার্টিফিকেট ওফ মেরিট পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

লোইশিল্লকপদা চহি অমদা ৫০ দগী ৬০ ফাওবা পুথোক্লবা মণিপুরী দিজিটেল ফিল্মনা চহি অসিদা শুপ্নগী ফিচর ফিল্ম ৮ খক্না ইন্দ্রি তৌরকপা হায়বা অসিনা ৱাহং অমদি ওইরি…?

## ঐচ রাজেস

# ষ্টৈটকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

## হিরো আই লীগ ২০১৮

## কাটসুমিগী গোল অনীনা চর্চিল ব্রদর্স মাইথিবগী মহাও খঙহনখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ঃ

নেরোকা এফসি গী ষ্টার প্লেয়র অমদি ভাবকশিংনা ঙাওজবা নেরোকাগী প্লেয়রশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জপানিস মিদফিল্ডর কাটসুমি য়ুসানা মেটচকী অঙানবা মিনট অমদি অথেংবা মিনটশিংদা চনখিবা গোল অনীনা সিজন অসিগী মাইথিবা করিনো খঙদ্রিবা চর্চিল ব্রদর্সপু মাইথিবগী মহাও খঙহনখ্রে।

ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা নেরোকাগী হোম মেটচ ওইনা শান্নখিবা লীগ অসিগী ৪৩ শুবা মেটচতা য়ুম্বু নেরোকা এফসি না চর্চিল ব্রদর্স এফসিবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ টেবলদা পোইন্ট অহুমগা অমুক হাপচিনদুনা পুন্না পোইন্ট ১৪ ফঙদুনা টেবলগী অনীশুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী গোলশিং অদু কাটসুমি য়ুসানা মিনট ১ অমদি লোইরমদাই মিনট ৮৭ দা গোল অনী চনখি। অদুগা চর্চিল ব্রদর্সকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা উগানদা মোচা খালিদ আউচো না মিনট ৩৭ দা চনখি।

মমাংগী মেটচতা ইন্দিয়ান এরোসপু হোমদা নেরোকানা গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখিবা অদুদা শান্নখিবা ষ্টর্টিং এলেভেন অদুমক ঙসিসু নেরোকাগী স্পেনিস কোচ মেন্যুয়েল ফ্রাইলেনা শান্নহনখি।

য়ুম্বু নেরোকা মেটচ অসিগী হেক হৌরকপদগী সেকেন্দ খরা খত্তঃমক চৎপদা নেরোকাগী ওষ্ট্রেলিয়ান মিদফিল্ডর জর্সি নম্বর ২৮ লীৎখিবা এরিয়ান ৱিল্লিয়মনা দি বোক্স মনুংদা তৌরকখিবা ক্রোসিং অদু পেনাল্টি স্পোট ময়াদা চর্চিলগী দিফেন্দরশিংনা ফেলেক্সপু মার্কিং তৌরিঙৈগী তাঞ্জা লৌদুনা কাটসুমিনা চেনশিল্লক্তুনা ক্রোসিংহ অদুগী বোল অদু হিদিং তৌদুনা অহাংবা নেট মনুংদা চংহনখিদুনা গোলদা ওন্থোক্তুনা য়ুম্বুনা গোল অমা মাংজিল থারগা চৎখি।

নেরোকানা গোল চনখ্রবা মতুং মেটচ অসি মাইয়োল অমদা লাক্তুনা চর্চিলনা গোল হন্দোক্লবা এটেক্ট কয়া চত্থরক্তুনা নেরোকাদা প্রেসর পীশিনখি। এৱে টিমগী হোৎজমন ফঙদুনা ৩৭শুবা মিনটতা দাউদা সিসে গী ফ্রি কিকতা খালিদ আউচোনা নেরোকাগী গোল কিপর ললিট থাপাবু মায়থিবা পীদুনা গোল হন্দোক্তুনা মেন ষ্টেদিয়মদা তিনখিবা ভাবকশিংবু তুমিননা লৈহনখি। টিম অনীমক্না অহানবা লোইবা ফাওবদা গোল ১-১ দা লৈন্নখি।

অনীশুবা হাল্ফতা টিম অনীমক্না লেপ্পা লৈতনা এটেক্ট কয়া চত্থরকখি। য়ুম্বু নেরোকানা মেটচ লোইগদবা মিনট ২০ রোম ৱাংলিঙৈদগী বোল হেন্না পায়দুনা এটেক্ট কনশিল্লক্তুনা চর্চিলসনা দিফেন্স খক্তমক্তা মথৌ তৌখি। ৭৭শুবা মিনটতা সুবাসনা কাউশিনখিবা বোল অদু পোষ্টতা পানবদগী নেরোকানা মাংজিল থারমগদবা তাঞ্জা অদু মাংখি।

য়ুম্বুনা মতুং তারকপা মিনটশিং দসু হোৎনবা লৈপ্তুনা গোল চনদবা য়াদে হায়দুনা নিংথিনা শান্নখি। মেটচকী অপীবা মতম লোইরমদাই ৮৭শুবা মিনটতা ৱিল্লিয়মনা য়েৎথংবা ৱিংদগী ওপোনেলগী দি বোক্স তম্না তৌরকখিবা ক্রোসিং অদু কাটসুমিনা ফঙলগা গোলদা ওন্থোক্তুনা মহাক্কী অমদি টিমগী অনীশুবা গোল চনদুনা মেন ষ্টেদিয়মদা তিনখিবা য়াম্লবা য়ুম্বুগী ভাবকশিংনা কাটসুমিগী মমিং লাউনবদা ষ্টেদিয়ম অসি নিলহনখি।

মেটচ অসি লোইবা ফাওবদা চর্চিল ব্রদর্সনা অহেনবা গোল হাপচিনবা ঙমদবদগী নেরোকাগী মখুৎতা গোল ২-১ দা মায়থিবা নঙদুনা সিজন অসিগী মাইথিবগী মহাও খঙহনখি।

নেরোকাগী মথংগী মেটচ থা অসিগী ২৩ দা খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা মিনর্ভ পঞ্জাবকা শান্নরগনি।

লীগ অসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা গুকুলাম কেরলা এফসি অমদি রিয়েল কস্মির এফসি গোল ১-১ চান্নদুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

গুকুলামগী গোল অদু নিংথৌজম প্রিতমনা মিনট ২০ দা চনখি। রিয়েল কস্মিরগী গোল অদুনা ৬৯শুবা মিনটতা সুরচন্দ্রনা চনখিবনি।

## অহুমশুবা ইবুধৌ য়াংবী পাখঙবা কপ ২০১৮

## পিৱাইপিসি অমদি মঙাল এফএ ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ঃ

নোংমাইখোং প্রো গেসিপ য়ুথ ক্লব চানা না শীন্দুনা চানা লম্পাক্তা টিম ১৭না গ্রুপ-৪ থোক্না খাইদোক্তুনা থা অসিগী ৪দগী চত্থরক্লিবা অহুমশুবা ইবুধৌ য়াংবী পাখঙবা কপ ২০১৮-৭ এসাইদ য়ু-১৫ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা পিৱাইপিসি পুংদোংবম অমদি মঙাল ফুটবোল ক্লব খাবম মায় পাক্তুনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নখিবদা পিৱাইপিসি পুংদোংবমনা এনপিৱাইসি চানা (এ)বু গোল ৩-২ দা মায়থিবা পীখি।

ফাইনেল চঙখ্রবা পিৱাইপিসি পুংদোংবমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ এল ঙাম্থোইনা মিনট ১৫ অমদি জর্সি নম্বর ১১ এ মাইলগৌনা মিনট ২০ অমদি ২৪ দা গোল অনী চনখি। মাইথিরবা এনপিৱাইসি চানা (এ) গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ ইনুংঙানবানা মিনট ৪ অমদি জর্সি নম্বর ৯ প্রেমজিৎনা মিনট ২৫দা গোল অমমম চনখি।

মেটচ অসিদা পিৱাইপিসি পুংদোংবমগী জর্সি নম্বর ৯ দব্লিউ এদিসন, জর্সি নম্বর ৩ কেঐচ অবিসেক অমদি এমপিৱাইসি চানা (এ) গী জর্সি নম্বর ৩ সদানন্দ রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল শান্নখিবদা মঙাল ফুটবোল ক্লবনা অপুনবা এফসিবু গোল ৫-২ দা মায়থিবা পীদুনা মঙাল ফাইনেল চঙখ্রে।

ফাইনেল চঙখ্রবা মঙালগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৫ কে সুরেন্দ্রনা মিনট ২৪ অমদি ৩৮ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১৪ ৱাই ইন্দ্রনাথনা মিনট ২৫ অমদি ৪০ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ৭ কেঐচ সনামাচানা মিনট ৩৯ দা গোল অমা চনখি।

মায়থিরবা অপুনবা এফসিগী গোলশিং অদুনা জর্সি নম্বর ১১ থিজেননা মিনট ৮ অমদি জর্সি নম্বর ১২ অর্জুননা মিনট ১৫ দা গোল অমমম চনখি।

মেটচ অসিদা মঙাল ফুটবোল ক্লবকী জর্সি নম্বর ১২ এম ষ্টেলিন অমদি অপুনবা এফসিগী জর্সি নম্বর ৫ লম্থোইবা অমদি জর্সি নম্বর ১৩ তোলেনদা রেফরিনা ফাউল শান্নবগীদমক য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

## অহানবা এএনৱাইটিকে দে এন্দ নাইট সোক্কর টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ঃ

অপুনবা নহারোল য়াইফা থৌশিল কাংলুপ (এএনৱাইটিকে) থাংমৈবন্দ থিঙেল পুখ্রিমপালনা শীন্দুনা এএনৱাইটিকে গ্রাউন্দা পুন্না টিম ২৫ না গ্রুপ - ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা অহানবা এএনৱাইটিকে দে এন্দ নাইট অন্দর-১৫ ফাইব মেন এ-সাইদ সোক্কর টুর্নামেন্ট ২০১৮ ঙসি শান্নখিবা ১৯শুবা মেটচতা পুখাউ রেঞ্জর অমদি বোলেরো এফসি বামোন লৈকাই গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

পুখাউ গী গোল অদু জর্সি নম্বর ২ এস বিজেশ্বরনা মিনট ৩ দা চনখি। বোলেরো এফসিগী গোল অদুনা জর্সি নম্বর ১০ তারুনকুমারনা মিনট ৩৭ দা চনখি।

২০শুবা মেটচতা চিংয়া এফসি থাংমৈবন্দ অমদি কেজিৱাইএ কংলাতোম্বী গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে।

চিংয়াগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ মংলেমনা মিনট ৮ অমদি জর্সি নম্বর ৭ টিঐচ রোহেননা মিনট ১৫ দা চনখি। কেজিৱাইএগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৪ সুরিয়া থাপানা মিনট ৪ অমদি ২১ দা চনখি।

২১শুবা মেটচতা কোন্থৌজম এফসিনা সিদিএস উরিপোকপু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখি। কোন্থৌজমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৭ রঞ্জননা মিনট ১৪, জর্সি নম্বর ১১ অজিৎকুমারনা মিনট ২৩ অমদি জর্সি নম্বর ৯ কে রাজকুমারনা মিনট ৪০ দা চনখি। সিদিএসকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৮ জয়ফ্রিনা মিনট ৩৯ দা চনখি।

২২শুবা মেটচতা তৌরো এফসি পাঙ্গৈনা এলএনৱাইসি লুৱাংশঙবমবু গোল ১৭-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

## মঙাশুবা ইমোইনু ট্রোফি ভিলেজ ৱাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## সেমি ফাইনেল লাইন অপ লোইখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ঃ

য়ুঠ পেরেদাইজ ক্লব গোলাপাটি, য়ুঠ প্রোগেসিপ ফ্রন্ট য়াইঙংপোকপী, য়ুঠ দিভলপমেন্ট ক্লব থম্নাপোকপী অমদি সনাশাবী য়ুঠ ক্লব সনাশাবীনা পুন্না খুৎশম্নদুনা চত্থরিবা ৫শুবা ইমোইনু ট্রোফি ভিলেজ ৱাইজ মেন্স ওফন ৭ এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা লম্লাই এফসি, ওকেএসয়ু নিংথেমচা, ৱাইওসি থম্নাপোকপী (বি) অমদি সেক্তা এফসি মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা লম্লাই এফসিনা ইয়ুএসসি তেল্লৌবু গোল ৫-১ দা মায়থিবা পীখি।

মায়পাক্লবা লম্লাই এফসিগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ৯ ই অবোচানা মিনট ৭ অমদি জর্সি নম্বর ১১ ৱাই সিসিলনা মিনট ১৪দা গোল অমমম চনখি। অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১৭ কেঐচ অনোসনা মিনট ২৪, ৩০ অমদি ৩৮ দা গোল অহুম চনদুনা হেদত্রিক ফঙখি।

মায়থিরবা ইয়ুএসসিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ৯ কেঐচ তোন্দোনবানা মিনট ৩৪ দা চনখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱাইওসিএল পুংদোংবমনা ওকেএসয়ু নিংথেমচাবু গোল ৪-৩ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাইওসিএল পুংদোংবমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ সোরানা মিনট ৪ অমদি ১২ তা গোল অনী, মেটচ নম্বর ৪ এস পোৱৈতোননা মিনট ৮ অমদি জর্সি নম্বর ১০ ঐচ তেলহৈবনা মিনট ১৫ দা গোল অমমম চনখি। মায়থিরবা ওকেএসয়ু নিংথেমচাগী গোলশিং অদু অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১১, এস প্রেমসননা মিনট ২৫, জর্সি নম্বর ১০ এম নোংশাবানা মিনট ২৯ অমদি জর্সি নম্বর ৮ ৱাই নাওচানা মিনট ৩৬ তা গোল অমমম চনখি।

অহুমশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ শান্নখিবদা ৱাইওসিএল পুংদোংবম অমদি ৱাইওসি থম্নাপোকপী অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল ২-২ দা লৈদুনা কিক ফোর্ম পেনাল্টি মার্কতা ৱিন্নর দিসাইদ তৌবদসু টিম অনীমক্না পেনাল্টি চপ-চপ মান্নন্না গোল চনবদগী তোচ তৌদুনা মেটচ ৱিন্নর দিসাইদ তৌবদা ৱাইওসি থম্নাপোকপী (বি) না ৱিন্নর ওইখি।

মরিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা শান্নখিবদা সেক্তা এফসিনা বিএসয়ু নোংপোক ককচিংবু গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা সেক্তা এফসি গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৬ এন জোন্সননা মিনট ১৪ অমদি ১৯ দা গোল অনী, জর্সি নম্বর ১০ এস বিশ্বরজিৎনা মিনট ১৭তা গোল অমা চনখি।

## এল দিনেসনা জুনিয়র মিষ্টর ৱার্ল্ড টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১৫ঃ

থাইলেন্দগী চিংয়াংমাইদা থা অসিগী ১১ দগী ১৭ ফাওবা চত্থগদৌরিবা ১০শুবা ৱার্ল্ড বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শরুক য়ারিবা ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর এসোসিয়েসনগী শান্নরোই অমা ওইরিবা এল দিনেসনা জুনিয়র মিষ্টর ৱার্ল্ডগী টাইটল অমুক হন্না লৌবা ঙমখ্রে।

মমাংদা পাঙথোকখিবা জুনিয়র মিষ্টর ৱার্ল্ড দসু এল দিনেসনা জুনিয়রগী কেজি ৭০ মখাগীদা গোল্ড লৌখিবা বোদি বিল্ডর অমনি।




Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com